## নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): কাউন্সীল ওফ সাইন্টিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিএল রিছার্স- ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্টিগ্রেটিভ মেদিসিন, জম্মুদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী লাম্বুং ভিলেজদগী অংখমগী মচানুপা ডা. মুনশেল জশাবু সাইন্টিষ্ট ওইনা খল্লকপদা অনাল নাগা তাংপীনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি হায়না লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ফমরিং সেঙ্গুলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মুনশেল শিল্লোংদা সেন্ট ইদমন্দ কোলেজদগী গ্রেজ্যুএট লোইখি। দিপার্টমেন্ট ওফ কেমিষ্ট্রি, নোর্থ ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি, শিল্লোংদা পি ঐচ দি লোইশিনখি। মহাক্না প্রোজেক্ট অমসু পায়খৎখি। ডা. মুনশেলনা মায় পাক্লকপসিদা হরাও-তয়াম্বা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

### Important Phone Nos.

| | |
|---|---|
| RIMS | 2414478 |
| J.N. Hospital | 2450385 |
| DG Control | 2450100 |
| **FIRE SERVICE** | |
| Imphal | 101 |
| Moirang | 8415925197 |
| Churachandpur | 8415925191 |
| Thoubal | 8415925203 |
| Kakching | 8415925194 |
| Jiribam | 8415925193 |
| Mayang Imphal | 8415925196 |
| Bishnupur | 8415925190 |
| Moreh | 8415925198 |
| Kangpokpi | 8415925195 |
| Ukhrul | 8415925205 |
| Senapati | 8415925199 |
| Chandel | 8415925192 |
| Singhat | 8415925201 |
| Sugnu | 8415925202 |
| Yairipok | 8415925206 |

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 84.915533 |
| US Dollar | 75.245560 |
| British Pound | 94.793994 |
| Australian Dollar | 52.277627 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.745397 |
| Japanese Yen | 0.704227 |
| Malaysian Ringgit | 17.635356 |
| Singapore Dollar | 54.060271 |
| South Korean Won | 0.062639 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.065483 |
| Thai Baht | 2.402669 |
| Myanmar Kyat | 0.05522 |
| Bangladesh Taka | 0.88692 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 49152.00 |
| Mumbai | – | Rs | 49068.00 |
| Delhi | – | Rs | 49020.00 |
| Kolkata | – | Rs | 48968.00 |

## GAS NEWS

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto : 12/06/2020
Valid From : 12/05/2020
Home Delivery Only
Contact Nos. 8730954041, 8259969582
Call Timing: 7.30am –11.00am

**M M GAS SERVICE**
Booking upto : 09/06/2020
Valid from : 05/06/2020
***STOCK : 612 DBTL ONLY***
TIME : 7:00 AM TO 12:00 NOON

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking upto : 31/5/2020
Valid from : 30/5/2020
***Stk. : 306***
Timing : 6:00am to 9:00am
Home Delivery (Contact No. 6909963855/8119073029)

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
Booking upto : 26/06/2020
Valid from : 22/06/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 7:30AM to 11:00AM

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto : 24/06/2020
Valid from : 07/06/2020
***19kg Available
For delivery service Please Contact -7085738631 or 8119967523
Call Timing:8:00AM to 2:00PM

**KHUMBONG INDANE**
Booking upto : 10/06/2020
Valid from : 09/06/2020
Home Delivery Contact No. 7005771527, 9774679422
Time 7.30am to 10.00am

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking upto : 24/05/2020
Valid from : 18/05/2020
***STK. : 306***
TIME : 7:00AM -10:00AM
HOME DELIVERY DATE 11/07/2020
CONTACT NO. 7005695308, 6009772483

**TANGLEI GAS OINAM**
Booking upto : 25/06/2020
Valid from : 22/06/2020
***Stock : 612***
Time : 7.00am to 10.00am
19kg Stock Available

**MAHALAKSMIINDANE GAS**
Booking upto : 21/06/2020
**Bk.Sl upto 300695**
Valid from : 17/06/2020
For home delivery
Cont. Timing - 10.00am to 12.00 noon
# 9862312969 # 8414929709,
Booking : After 15 days from delivery

**M/S K&K INDANE SERVICE**
**Booking upto sl. 100 A&B**
dt 22/06/2020
Valid from : 15/06/2020
Time : 7.30am to 11.00am
Gas booking counter open at Tera Bazar Office
Time : 8.00am to 12.00noon

**CANCHI SERVICE INDANE**
Booking upto : 09/06/2020
Valid from : 31/05/2020
5kg UJJWALA
19kg STOCK AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NO
KWAKEITHEL 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7085732827
BOOKING TIMING 09.00 am to12.00 noon

## ফোরেন মেদিকেল গ্রেজ্যুএসন এগজামগী সেন্টর থম্বীয়ু: দেসাম

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): ফোরেন মেদিকেল গ্রেজ্যুএসন এগজামিনেসনগী সেন্টর অমা ইম্ফালদা থম্বীয়ু হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রদা মেমোরেন্দম অমা থাখ্রে হায়না দেসামগী এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমীক এফেয়র্স সেক্রেটরি লোংজম রোবিননা ফোঙদোকখ্রে।

দেসামগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা রোবিননা হায়খি, মপান লৈবাক্তা লৈবা মেদিকেল কোলেজদগী গ্রেজ্যুএট পাস তৌরবা ষ্টেট অসিগী ডোক্তর ওইবা ৩০০ হেন্না লৈ। মখোয় মণিপুরদা লাক্লগা ডোক্তর ওইনা থবক তৌনবা নেসনল বোর্দ ওফ এগজামিনেসন্না লৌরগা পাঙথোকপা ফোরেন মেদিকেল গ্রেজ্যুএট এগজামিনেসন চহীসিগী ওগষ্ট ৩১দা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা সেন্টর লিষ্ট থোক্লগা কন্দক্ট তৌই। সেন্টর ৩০ লৈরম্বদগী ৪২ লিষ্ট থোকপদা মণিপুরগী অমত্তা য়াওরক্তে। লমদমসিগী মেদিকেল গ্রেজ্যুএট লোইরবা ডোক্তরশিংনা এগজাম অসি থাবদা গুৱাহাতি নৎত্রগা শিল্লোংগুম্বদা চৎলগা থাগদৌরি। কোভিদ-১৯ লৈবনা চৎথোক-চৎশিনগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরি। এগজামিনেসন সেন্টর অমা ইম্ফালদা লৈহনবীয়ু হায়না মেমোরেন্দম থাখ্রে।

লমদম অসি ইকনমিদসু শোত্থবা ওইবনা চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদে। চীফ মিনিষ্টর অমদি চীফ সেক্রেটরিদসু অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনবা লৈখ্রে। এগজাম কন্দক্ট তৌবদা য়াওরিবা মেদিকেল কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়াদসু মেমোরেন্দম থাদুনা খঙহনখ্রে। মেদিকেল গ্রেজ্যুএট পাস তৌরবশিং অসিগী খল্লগা মণিপুরদা সেন্টর অমা থম্বীয়ু। মসিদা মণিপুর লৈঙাক্না নেসনল বোর্দ ওফ এগজামিনেসনগা তান্নরগা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## কৈথেলশিং শেংবগী থবক চথরি, মফম চাদনা লংথোকপশিং এক্সন লৌরগনি : মেয়র

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈবা কৈথেলশিং শেংবগী থবক মথং-মথং চথরক্লি। কারনচিংবদা ফাওবা লাক্লগা মফম চাদনা অমোৎপা লংথোক্লিবশিং এক্সন লৌরগনি হায়না আই এম সীগী মেয়র এল লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী টেম্পররি মার্কেটতা অমোৎ-অকায়শিং শেংবগী থবক চথবগা লোয়ননা মেয়র লোকেশ্বরনা হায়খি, লমদেংদা লৈবা সোলিদ ৱেষ্ট ট্রিটমেন্ট প্লান্টতা আই এম সী, মহুদ অমদি লমদেং অপূনবা লূপনা মেগা সোসল সর্ভিস অমা নো প্লাষ্টিক দেগা মরী লৈননা পাঙথোকখ্রে। ক্বাকৈথেলদসু কৈথেল শেংবগী থবক চথবা লৈখ্রে। ঙসি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী টেম্পররি মার্কেট অমদি অকোয়বা মফম কয়াদা লৈরিবা অমোৎ-অকায়শিং শেংদোকপনি। জে সী বি অমদি টাটানচিংবা কয়া শীজিন্নরগা অমোৎ-অকায়শিং অসি খোমদোকপগী থবক চথরি। ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা কৈথেলশিংদসু শীৎ-শেংবগী থবক চথখিগনি।

হৌজিক দোর টু দোর কল্লেক্সন চৎলিবা অসিদা মিং চনবীদুনা অমোৎ-অকায়শিং খোমগৎহন্দুনা লূ-নান্না থমসি। থাদা লুপা ১৫০ খক থিরগা য়ুমগী অমোৎপা খূদিংমক পুখিগদৌরিবনি। মসিনা লূ-নান্না থম্বদা মতেং ওইগনি। মোৎলবদি হকচাং নারক্কনি। নারক-য়েল্লকপদা হিদাক লৈবা মতমদা লুপা ১৫০ হেন্না চঙগনি। অমোৎ-অকায় কল্লেক্সনগীদমক লুপা ১৫০ থিবা অদু হিদাক লৈবগা চপ মান্নে খল্লগা মিং চনবীদুনা দোর টু দোর কল্লেক্সনদা অমোৎপা শীন্নবীয়ু। কারনচিংবদা ফাওবা লাক্লগা মফম চাদনা অমোৎপা লংথোকপা য়াওরি। নুমীদাংগী মতমদা নৎত্রগা অয়ুক য়াম্না ঙল্লিঙৈদা কার অমদি গাড়ী কয়াদা পুরক্লগা লংথোক্লিবসি তৌবীগনু। অমোৎপা লংথোক্লিবশিং ফারবদি লোগী মতুংইন্না চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি। লূ-নানবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুম্নমক ৱাখল তামিন্নবা চঙই। অমোৎপা লংথোক্লিবা মীওইশিং অদু করিগুম্বা আই এম সীগী ইনফোর্সমেন্ট টিমনা ফারগদি থবক লৌখৎকনি। য়ুমগী অমোৎপশিং পুথোরক্লগা লংথোকপশিং য়েংশিনবগী থবক চথগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কৈথেল শেংবগী থবক অদুদা আই এম সীগী কোর্পোরেটর অমদি ইমপ্লোয়ী কয়াসু শরুক য়াখি। অমোৎ-অকায় শেংবগী থবক কৈথেলশিংদা চথখিগনি হায়রি।

## এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা থোক্লিবা কাঙলোনসি মমিংতগীরা : সুক

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা থোক্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি মমিংতগী থোক্লিব্রা হায়না ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)কী জোইন্ট সেক্রেটরি তরুন খুমননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯গী লুরবা মতমসিদা থোক্লিবা ওর্দর ফজবা কয়া অমদি থোকখ্রে। অদুবু ওর্দরশিং অদু থবক ওইনা ওন্থোককখ্রবরা হায়বসি মীয়াম অমদি মহৈরোয় খুন্নাইনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা হংবা হৌরক্লে। চহীসিগী মে ২০দা এদ্যুকেসন (এস)না থোকখিবা সার্ক্যুলর অমগী মতুংইন্না মণিপুর মনুংদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিংগী ইনফোর্মেসন কল্লেক্সন তৌখিবা লৈখ্রে। পীশিল্লক্তবা স্কুলনা মশিং য়াম্বগী পাউ লৈরি। করিগুম্বা পীশিল্লক্ত্রবদি এক্সন লৌখৎকনি হায়বগী পাউ তাখিবা লৈতে। দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস)না জুন ২০ দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমদা মণিপুরদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিং অহুম থোক্না খায়দোক্লগা টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিংগী থাগী তোলোপ পীগদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন অদু প্রাইভেট স্কুলশিংনা ইন্দুনা থবক ওইনা ওন্থোকখিবগী পাউদি তাবা লৈতে।

থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙম্লোইদবা অমদি এক্সন লৌখৎপা ঙম্লোইদবা ওইরবদি নোটিফিকেসন থোক্তবনা ফৈ। ফজবা চৎন-কাঙলোন কয়া তৎতনা শেল্লগা লাউথোক্লগা থবক ওইনা ওন্থোকপীদবদগী চৎনবী অসি মখা তানা তৌবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## অহল ১গী একাউন্টতগী লুপা লাখ ৬.৫...

*লামায় ১গী মখা...* বিরমঙ্গল কৌবা অহল অমগী একাউন্টতগী নুমিৎ খুদিংগী লুপা লিশীং ২০/২০ লৌথোক্লে হায়বা কমপ্লেন অমা থৌবাল পুলিসতা ৱাকৎলকপদগী পুলিসনা খোঙ্গুল লীরবা মতুংদা মীওই অনী অদু ফাবা ঙমখিবনি। পুলিসনা ফারবা মীওই অনী অদুদি লিলোং তময়াইদগী ফিরোজ খান অপোকপা ফলতুসসর আলি অমদি লিলোং উশোইপোকপী মনাক্তগী হমিদুল রহমন অপোকপা লৈখিদ্রবা নুর মহম্মদ কৌই হায়রি।

ৱাহং পাউহং চথবদা ফারবা মীওই অনী অসিনা ৱাংজিংগী এ টি এম বুথ অমদগী এ টি এম কার্দ অমা ফংখি। অদুগা থৌবাল দি সী ওফিস মমাঙদা লৈবা এ টি এম বুথ অমদা অহল অদুগী মতেং পাংবা শাদুনা পিন কোদনচিংবা তুমিন্না খঙদোক্লগা মহাক্কী এ টি এম কার্দ অদু মখোয় অনীনা লৌহৌরগা ৱাংজিংদগী খুল্লকখিবা এ টি এম কার্দ অদুনা অহল অদুদা পীখিবনি। মতুংদা অহল অদুগী এ টি এম কার্দ অদু শীজিন্নরগা মীওই অনী অসিনা শেনফমশিং অদু মথং মথং তোঙান-তোঙানবা এ টি এমশিংদগী লৌথোকখিবনি। শেনফমশিং অদু ককচীং, য়াইরিপোক অমদি ইম্ফালনচিংবা মফমশিংদা নুমিৎ খুদিংগী লুপা লিশীং ২০/২০ নুমিৎ ৩২নি চঙনা চিংথোকখি। অদুগা পেট্রোল পম্পশিংদগীসু থাউ হানবদা লুপা ২৮৩৭০ রোম শীজিন্নরমদুনা অহল অসিগী একাউন্টতগী পূন্না লুপা ৬,৬৮,৩৭০ লোম লৌথোকখ্রে। পুলিসনা ফারবা মীওই অনী অদু কোর্টতা পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী টিচিং য়ুনিটতা পেনাগী গুরু ওইনা থৌ পুরম্বা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা কে থোইবনা থা অসিগী ৭তা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না একাদেমী অসিগী দিরেক্টর ইন-চার্জ পি বিলাস অমদি ভাইস চেয়রমেন হিজম তোম্বীনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙসি জে এন এম দি এগী ওদিটোরিয়মদা একাদেমী অসিগী ভাইস চেয়রমেন হিজম তোম্বী অমদি দিরেক্টর ইন-চার্জ পি বিলাসনা থৌরম মপু ওইদুনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম পাঙথোকখি। মীফম অদুদা তীনখিবশিংনা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙখি হায়রি।

## পোলিটিকেলগী চরাংনবগা মরী লৈননা থারকপা চে লৌখৎলে : মনি

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগী মরক্তা লৈঙাকসিগী ওইরিবা পোলিটিকেলগী চরাংনবা ফীভমসিগা মরী লৈননা পিটিসনর অমা ওইনা মোইরাংময়ুম অজিৎ কেবিননা থারকপা চেরোল অমা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা লৌখৎলে হায়না কম্মিসন অসিগী এক্টিং চেয়রপর্সন খাইদেম মনিনা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা খাইদেম মনিনা হায়খি, হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেটসিদা লৈরিবা মীয়ামগী রাইট য়াওনা হীরম খূদিংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগা মরী লৈনবা কেস অসি পায়খৎখিবনি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি অমদি মীয়ামগী মোত লৌনবা থা অসিগী ৩০ ফাওবদা এফিদেবিট য়াওনা তঙাইফদবা চেরোলশিং পীশিল্লক্নবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না চেরোল অমা থোক্তুনা খঙহনখ্রে।

কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিক অসিগী ওইরিবা ফীভম মরকসিদা পোলিটিকেলগী ওইবা চরাংনবা ফীভম কয়া লৈরিবসিগী মতাংদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্দা ৱাকৎ চেরোল অদু পীরকখিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## অথিংবা লৈখিগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ কন্টেনমেন্টকী খোঙথাং ওইনা চৎনহল্লিবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা জেনরেল পব্লিক চঙবগী অথিংবা অদু মখা তানা লৈখিগনি হায়না দিরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টরনা থোকপা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অথিংবা অসি মণিপুর লৈঙাক্কী দ্যুটি তৌরিবা মীওইশিং অমদি কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা দ্যুটি তারিবশিংদদি লৈরোই। চৎন-কাঙলোন অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরকপশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা এক্সন লৌখৎকনি হায়নসু ওফিস মেমোরেন্দম অদুদা মখা তানা পল্লি হায়রি।

## হার য়েনবগী থবক চথরি

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৌমীশিংনা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস, বিষ্ণুপুরদা হার লৌবা চৎপা ঙম্নদবা অসিদা কুম্বী এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা খাঙেম্বম নবকুমারনা কুম্বী এ সীগী মনুংদা লৈবা তেরাখোং, নাওদাখোং, খুল্লাকপাৎ, ইথাই, তোর্বুং বংলা অমদি কুম্বীনচিংবা মফমশিংদা লৈরিবা লৌমী ৩০০দা য়ুরিয়া বেগ ১দা লুপা ৩০০/৩০০দা য়েন্থোকখ্রে।

এ সী অসিগী মনুংদা হার ফংদ্রিবা খুঙ্গং খূদিংদা অতাবা মমলদা লৌমীশিংদা হার য়েন্থোকপগী থবক চথখিগনি। লৌমীশিংগীদমক অসিগুম্বা খোঙথাং অসি লৌখৎপনি হায়না নবকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

## মেজোরিটি উৎহন্নবা নো কনফিদেন্স মোসন...

*লামায় ১গী মখা...* অমদা পার্টি খরা লৈঙাক শৌগৎপা তোক্লবা তারবদি ভোট ওফ কনফিদেন্স খন্নফম থোকপনি। মসি চৎন-কাঙলোনদা লৈরবা অমনি। লৈঙাক অদু মেজোরিটি ওই নৎত্রগা ষ্টেবল ওই হায়বসি ভোট ওফ কনফিদেন্স অদুদা খঙনগদৌরিবনি। ষ্টেটসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা চৎমিন্নরিবা পার্টি অমগী মিনিষ্টরশিং লৈঙাক শৌগৎপা তোক্লুরে। পোলিটিকেলগী ওইবা চরাংনবা মরক্তা মতম খরা লৈরুরে। কনফিদেন্স মোসন লৌনগদবনি। হৌজিক এসেম্লীগী নোংজুমীফম লাক্কদৌরে। মীফম অসিদা ভোট ওফ কনফিদেন্সকী ৱাফম অসি পুখৎতুনা লৈঙাক মেজোরিটি ওইরি নৎত্রগা ওইদে হায়বদু য়েংনগদবনি। করিগুম্বা খন্নরক্তবা তারবদি ওপোজিসনগী মায়কৈদগী নো-কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎফম থোকই। কুমজা ২০১৭তা এসেম্লী মীখলদা কোংগ্রেসনা সিট ২৮ ফংদুনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইখি। বি জে পিনা সিট ২১ ফংখি। পার্লিয়ামেন্টরি প্রক্টিসতা লৈঙাক শেম্বগী কাঙলোন মনুংদা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টিদা প্রাইওরিটি পীয়ু হায়বা ৱাফম লৈ। অদুবু মদুগী খুদোংচাবা পীখিদ্রে। মথংদা প্রি-পোল এল্লাইয়ন্স লৈবা পার্টিশিংদা খুদোংচাবা পীয়ু হায়বনি। মদুসু তৌখিদ্রে। করিগুম্বা প্রি-পোল এল্লাইয়ন্স লৈত্রগনা পোষ্ট পোল এল্লাইয়ন্সতা খুদোংচাবা পীগদবনি। সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টিদা লৈঙাক শেম্বগী খুদোংচাবা লৈহনখিদে। মসি পোলিটিকেলগী হিষ্ট্রিদা লৈহৌরগদবা অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## দিলিমিটেসন কম্মিসনগী এসোসিএট মেম্বর ওইবদগী রিজাইন...

*লামায় ১গী মখা...* হীরম অসিগা মরী লৈননা এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা পাউমীশিংদা হায়খি, কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা বেজ তৌরগা ষ্টেট অসিদা দিলিমিটেসন তৌননবা থৌরাং পায়খৎলকপা অসিদা মীয়াম্না নুংনাংবা অমদি মিপাইবা পোক্নরক্লি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী মিপাইবা অমদি নুংনাংবশিং অসি কোকহন্নবগী ষ্টেটমেন্ট অমত্তসু পীবা উদে। নম্ফু হাফুদা দিলিমিটেসন তৌরকপা মতমদা লৈবাক অসি মাঙহনবদা নৎত্রগা অমগা-অমগা নুংশিনহন্দনবা হোৎনবদা য়াওনিংদবা অমদি ঐখোয়না ফোঙদোকপা ৱাফম তারোইদবা অমদি ঙাংবগী খুদোংচাবা লৈরোইদবা মফম অদুদা মেম্বর ওইরুবগী মরম লৈতে খনবদগী দিলিমিটেসন কম্মিসনগী এসোসিএট মেম্বর ওইবদগী রিজাইন তৌবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোরক্লি।

## মণিপুরগী হেল্থ মিনিষ্টর লৈরিব্রা...

*লামায় ১গী মখা...* পেন্দবা কয়ানা মরম ওইরগা ঈরাং খরা লৈরুরে। অদুবু এন পি পিগী মিনিষ্টর অমদি হৌজিক ওফিস কাবা হৌখ্রে হায়রি। লুরবা মতমসিদা হেল্থ মিনিষ্টরনা করিগীদমক ওফিস কাদবনো।

কোভিদ-১৯গী লুরবা মতম অসিদা মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা ওফিসলশিংদা মতম চানা থবক পায়খৎনবা খঙহনগদবা কয়া অমদি তৌফম থোকপা থবক কয়া লৌখৎকদবা মতমনি। মহাক্না ওফিস কাদনা অদুম্মক লৈরগদি করম্বা ফীভমদা লাক্কদৌরিবনো। এন পি পিগী মিনিষ্টরশিংগী থবক্তা অতৈনা য়েংশিনবা য়াদনবা ৱাফম অমসু য়ানৈ হায়না তাই। এন পি পি পার্টিগী এম এল এনা হেল্থ মিনিষ্টর ওই হায়দুনা মহাক্কী থবক অসিদা অমুক য়েংদবা তারবদি দিপার্টমেন্ট অসি করম্বা মওংদা চলাইরক্কদৌরিবনো। লৈঙাক অসিগী মনুংদা য়ানদবা ৱাফম কয়া অমদি পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লুবা লৈরবসু হৌজিক্তি মিনিষ্টর অমা ওইরে হায়রবনিনা তৌফম থোকপা থবক পাঙথোকফম থোকই। কোভিদ-১৯ থেংনবদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা লৈ। মসি লমদমসিগীদমক য়াম্না মরুওইবা অমনি। হৌজিক মিনিষ্টরনা ওফিস কাদনা লৈবা তারবদি কোভিদ-১৯গী ফীভমসি করম্না য়েংশিনগদৌরিবনো। পোজিটিভ কেস মশিং য়াম্না হেনগৎলক্লুবনি। মণিপুরদা পোজিটিভ কেস ২ লৈরিঙৈ মতমদদি য়াম্না কিনরম্মী। হৌজিক কেস লিশিং ১ হেনখ্রবা মতমসিদনা লাইথোকপগী মওং লাক্লি। লায়না-লাইচৎ অসি য়াম্না চেকশিন্না থেংনবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ফোর্স তৌখিবা লৈখিদে : ও ইবোবী...

*লামায় ১গী মখা...* সুভাসচন্দ্রনা মহাকপু নমদুনা রিজাইন তৌহনবনি অমদি কোংগ্রেসকী এম এল এ অনী লোয়ননা কোংগ্রেসকী কেম্প তৌখিবা মফম অদুগী মপুদা মরাল কয়া শীদুনা কিহন-খঙহনবগী থবক চথৈ হায়বসি অরানবা ৱাফমনি। হান্নগী এম এল এ সুভাসচন্দ্রবু ফুই হায়বা ৱাফম ফাওবা মহাক্না এফ আই আর চন্নবা চে ইবদা য়াওরিবসি অঙকপা অমনি।

মশানা এম এল এদগী রিজাইন তৌরে হায়বসি চে ইজরগা পীজখিবনি। এসেম্লী সেক্রেটেরিয়টনসু অয়াবা পীবগী চে থোকপগা লোয়ননা সিট ভেকেন্ট ওইরে হায়না লাউথোকখ্রবনি। বি জে পিগী প্রাইমারী মেম্বরশিপতগী তোকপগী চে অদুসু মহাক্না পীবগা লোয়ননা অয়াবা পীরকখিবা লৈখ্রে। এম এল এ সুভাসচন্দ্রনা পুলিসতা চে ইবা মতমদা লৈঙাক অসিদা য়াওরিবা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎকা মান্নরগা তৌবনি হায়বা ৱাফম ফাওবা পল্লি। বিশ্বজিৎকা হীরম অমত্তদা ৱারী শানখিবসু লৈতে। বি জে পিদা য়াওরিবা এম এল এ খরনা কোংগ্রেসকী এম এল এশিংগী মনাক্তা ঙাইহাক লৈতনা লাক্লগা লৈঙাক অসিগী মনুংগী ওইবা নুংঙাইহন্দবা কয়া ফোঙদোকপা লৈখি। হৌজিক লাক্লিবা পোলিটিকেল ট্রেন অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। এন পি পিগী মিনিষ্টর খরসু রিজাইন তৌরে হায়বগা লোয়ননা নুংঙাইনদবা ৱাফম কয়া মীয়ামদা থম্বা লৈখি। হৌজিক তৌরক্লিবা মওংসিনা করিনো হায়বা ঈকায়বা অমা য়াওরে।

মণিপুরদা চথরিবা পোলিটিক্সকী মওং অসি জঙ্গল রাজনি হায়না নেসনল টি ভি চেনেলগী খন্ন-নৈনরকপদা মশক নাইবা অমনসু ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। কোংগ্রেস পার্টিদি তুমীন্না অদুম্মক লৈজবনি। মসিদা মরাল পীশিল্লিবা কয়াসি লাইবক থীবনি। হান্নগী এম এল এ সুভাসচন্দ্র লাই খুরুম্বা য়াওরুগনি হায়না মশানা চৎচখিবনি। মদুদা থিংবসু লৈতে। মঙোন্দা কিহন-খঙহনবগী থবকসু অমত্তা চথখিবা লৈতে। ফাই হায়না মহাক্না হায়রিবসি ঈকায়নিংঙাইহনি। কোংগ্রেস পার্টিদা মরাল শীবা লাইবক থীবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোসু শরুক য়াখি।

## মণিপুরদা পুং ২৪গী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্বা...

*লামায় ১গী মখা...* দিষ্ট্রিক্টতগী ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ২৪, জিরিবামদগী ৯, ককচীংদগী ১১, কামজোংদগী ২৮, তমেংলোংদগী ১০, থৌবালদগী ৮, সেনাপটিদগী ৪ অমসুং উখুল দিষ্ট্রিক্টতগী ৩৭নি। মীওইশিং অসি হৌজিক কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা থমদুনা লায়েংবা হৌখ্রে। লোয়ননা মখোয়গা নক্লরম্বশিংগী লীখুন থিদোকপা হৌখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ ক্যের সেন্টর মৈত্রম, সেনাপটি অমসুং উখুলদগী মীওই ৩৩সু দিসচার্জ তৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা লায়না অসি নারম্বদগী ফগৎলকখিবা কেস মশীং ৮৩২ শুখ্রে। রিকভরি রেট অসি চাদা ৫২.৫৯ ওইরি। মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ১,৫৮২ অসিগী মনুংদা হৌজিক-হৌজিক কেস ৭৫০ এক্টিভ ওইরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, জিরিবামদগী নৌনা পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা মীওই ৯ অসিসু পুলিস পর্সনেল ঙাক্তনি হায়রি।

## মতিক চাবা পোপ্যুলেসন প্লানিং...

*লামায় ১গী মখা...* এস টিগী ওইনা নাগা কাংলুপকী মীশিংনা ৫৯,৯০৪ ওইদুনা পোপ্যুলেসন কম্পোজিসন চাদা ২৭.১০ অমদি কুকিগীনা মীশিং ২৫,৩৮৪ লৈদুনা পোপ্যুলেসন কম্পোজিসন চাদা ১১.৪৮ ওইখি। মৈতৈ পাঙ্গলগী মীশিংনা ৪,৮৮১ লৈদুনা পোপ্যুলেসন কম্পোজিসন ২.২১ অমদি মাইগ্রেন্টশিংগী মীশিংনা ৬,৬৪৭ ওইদুনা পোপ্যুলেসন কম্পোজিসন অসি চাদা ৩.০১ ওইখি। অদুবু কুমজা ২০১১গী সেন্সসকী রিপোর্টকী মতুংইন্না মৈতৈ অমদি লোইগী মীশিং অসি ১১,৫৮,০৪২ ওইদুনা পোপ্যুলেসন কম্পোজিসনগী চহীগী গ্রোথ রেট অসি ৭.১৭ ওইরি, এস টিগী ওইনা নাগা কাংলুপকী মীশিংনা ৬,২৬,০৬৩ লৈদুনা পোপ্যুলেসন কম্পোজিসনগী চহীগী গ্রোথ রেট ৮.০৪ অমদি কুকি কাংলুপকী মীশিংনা ৪,৩৫,২৬৫ ওইদুনা পোপ্যুলেসেন কম্পোজিসনগী চহীগী গ্রোথ রেট ১৩.১৯ ওইরে। লোয়ননা মৈতৈ পাঙ্গল কাংলুপকী মীশিংনা ২,৩৪,৯৫৫ লৈদুনা পোপ্যুলেসন কম্পোজিসন অসি ৩৭.০৩ ওইরে অমদি মাইগ্রেন্টগী মীশিংনা ১,৫৯,৫৯৩ ওইদুনা পোপ্যুলেসন কম্পোজিসনগী চহীগী গ্রোথ রেট ১৮.৪৭ ওইরে। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী পোপ্যুলেসন এন্যুয়ল গ্রোথ রেটতা চাউনা খেন্নবা লৈরকপা অসিনা লমদম অসিদা চরাংনবা অমদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্লকপা য়ানা লৈরে। হৌজিক লৈরিবা প্রোব্লেম অসিনা মরম ওইদুনা হন্দক চহী অসিদা পাঙথোক্কনি হায়না থবক পায়খৎলক্লিবা দিলিমিটেসনগী মতাংদা অচৌবা ইস্যু অমা ওইরদুনা কোর্টতা য়ৌবা ফাওবা য়াওনখ্রে।

ষ্টেট অসিগী পোপ্যুলেসন গ্রোথতা চাওনা খেন্নবা লাক্লিবা অমদি হৌজিক ওইরিবা পোপ্যুলেসন গ্রোথকী চাং অসি অসুমক চৎথদুনা লৈরগদি চহী খরগী মনুংদা লমদম অসিদা অকায়বা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোরকপা খক নত্তনা য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরকপা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা লাক্তুনা য়েলহৌমীশিংগী খোংগুল মুৎখিবা য়াবগী চিংনবসু লৈতবা নত্তে। মরম অদুনা লৈঙাক্না অখন্নবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎতুনা চপ চাবা পোপ্যুলেসন কন্ট্রোল তৌনবগী পোলিসি প্লানিং অমা অথুবা মতমদা পাঙথোকপা মথৌ তারে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

## মণিপুরদসু লোকদাউন জুলাই ৩১...

*লামায় ১গী মখা...* ৩১ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না লাউথোকখিবনি। ওর্দর অসিগী মতুংইন্না মখা তাবা ওর্দরশিং থোক্ত্রিবা ফাওবা ষ্টেট অসিদা জুলাই ৩১ ফাওবা মফম শীনবা থুংনা নুমিদাং পুং ৬তগীনা অয়ূক পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ু মপূং ফানা লৈগনি হায়রি।

চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা থোকখিবা অতোপ্পা ওর্দর অমনা থঙ্গাল বাজার অমসুং পাওনা বাজারদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম য়োনবা দুকানশিংনা থোঙ হাংনগদবা নুমিৎশিংসু খঙহল্লক্লি।

ওর্দর অসিগী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা, য়ুমশকৈশা অমসুং ইরাই নুমিৎশিংদা থঙ্গাল বাজারগী ফিরোল, খোঙউপ, ষ্টেসনরিস, স্পোর্টস, কোল-লিকশিং, ইলেক্ট্রোনিক, কম্প্যুটর, মোবাইল, ফি শানবা লং, মোটোর পার্টশিং, ট্যয়র অমসুং বেটেরিগী দুকানশিং থোং হাংগদবনি। পাওনা বাজারদনা নুমিৎশিং অসিদা লগেজ, ষ্টেসনরি, সাইকল, কম্প্যুটর, গ্লাস, প্লাই, মোবাইল, ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎশক, দ্রাই ক্লিন তৌগদবা ফিরোলশিং অমদি ফি শানবগী লং দুকানশিং থোঙ হাংবা য়াগনি। লৈবাকপোকপা, শগোলশেল অমসুং থাংজ নুমিৎশিংদা থঙ্গাল বাজারদা ইলেক্ট্রিকেল, পেইন্ট, এল্যুমিনিয়ম কন্সট্রক্সন মেটেরিয়ল, প্লাইৰুদ, কোল-লিক, হার্দ ৱেয়র, সেনিটরিং ফিটিংস, টাইলস অমদি মার্বলগী দুকানশিং হাংবা য়াগনি। নুমিৎশিং অসিদা পাওনা বাজারদনা জেল্লরি, কোস্মেটিক, ফোটো ষ্টুদিও, আই গ্লাস, ফিরোল (নোংচুপ থাংবা মায়কৈ), খোঙউপ অমদি স্পোর্টসকী পোৎলমশিংগী দুকানশিং হাংবা য়াগনি।

অমরোমদা, ধর্ম্মসলা অমসুং থঙ্গাল বাজারদা লৈরিবা হোলসেলর খুদিংমকসু অতৈ দুকানশিংগুম্না অয়ুক পুং ৬ তগীনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা হাংবা য়াগনি। অদুমওইন্নমক বাজার অনীমকসিগী গলিশিংদা লৈরিবা দুকান মচাশিংদি অমত্তা হাংবা য়াখিরোই হায়রি।

## স্পিকর ট্রাইব্যুনেলনা রোবিন্দ্রোবু এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌখিবা...

*লামায় ১গী মখা...* ৱাফমশিং তানবগী খুদোংচাবা অমত্তা পীরমদনা মহাকপু এসেম্লিগী মেম্বর ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌখিবনি। মমাং থাগী জুন ১৭তা মহাক্না বি জে পিনা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিবু শৌগৎলম্বদগী ৱিঠদ্রো তৌখি। মসিগী মতাংদা এ আই টি সী মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট য়ুনিট কনভেনরগী মায়কৈদগীসু চীফ মিনিষ্টরদা মহাক্কী পার্টিনা শৌগৎলম্বা অদু ৱিঠদ্রো তৌরে হায়দুনা খঙহল্লমখি হায়রি।

মরম অসিনা স্পিকর ট্রাইব্যুনেলনা মহাকপু দিসক্বালিফাই তৌবগী থোকখিবা ‘এক্স-পার্টে ওর্দর’ অদুগা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-২ ওইরিবী এসেম্লিগী সেক্রেটরিনা ট্রাইব্যুনেলগী ওর্দর মতুংইন্না থোকখিবা ‘বুল্লেটিন পার্ট-টু’ অদু ক্বাশ তৌদুনা চৎনহনবীগনু হায়দুনা ৱাকৎলকখিবনি।

পিটিস্নর টি রোবিন্দ্রোগী কেস অসি ঙসি দিভিজন বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর-৩দা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎলকপদা মহাক্কী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্র অমসুং নামোইজম ইবোতোম্বীনা লেপ্পগা মখোয় অনীবু মখোয়গী জুনিয়র কাউন্সেলশিং ওইরিবা জুনো রহমন অমসুং এ রোম্মেলনা এসিষ্ট তৌখি।

রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১ অমসুং ২গী মায়কৈদা লৈবাকসিগী সোলিসিটর জেনরেল তুশার মেহতা, এ এস জি সত্যপাল জাই, সিনিয়র এদভোকেট পি এস নরসিমহা অমসুং মণিপুরগী এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজম্না লেপখি।

কোর্টনা পিটিস্নর অমসুং অপূনবা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট অহুমগী মনুংদা অনীগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেলশিং য়াওনা এস জে আই, এ এস জি অমসুং এদিসনেল এ জিগী সবমিসনশিং তাখি।

পার্টি অহুমগী কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা মরিশুবা পার্টি ওইরিবা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৩ (এম এল এ টি ঐচ সত্যব্রত)দা কেস অসিগী মরী লৈনবা নোটিস ‘দষ্টি সর্ভিস’ (হকথেংননা) ঙসিদগী পারগা চয়োল অমগী মনুংদা পীননবা ইস্যু তৌখি। অদুগী মতুংদা পিটিস্নরনা মসিগা মরী লৈননা এফিদেবিট অমা ফাইল তৌনবা দিরেক্সনসু পীখি।

লোয়ননা পিটিস্নরগী কেস অসিগী অরোইবা দিস্পোজল লাক্ত্রিঙৈগী চৈরক্তা মহাকপু এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌখিবগী ওর্দর অদু চৎনহনবীগনু হায়বা ইন্টেরিমগীদমক তৌরকখিবা প্রেয়র অদুগী মতাংদা পিটিস্নরগী কাউন্সেলশিং অমসুং এস জি আইনা থল্লকপা ৱাফমশিংসু কোর্টনা তাখি। মসিগা ইরোইনন্না পিটিস্নরবু এসেম্লিগী মেম্বর ওইহনখিদবা দিসক্বালিফিকেসন কেস নম্বর- ১ ওফ ২০২০গী মরী লৈনবা রেকোর্দশিংবুসু এদিসনেল এ জি লেনিন হিজমনা পুথোরকপদগী কোর্টনা য়েংখি।

কোর্টনা পার্টিশিংগী মহুৎ শিনবা কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তাবগা লোয়ননা রেকোর্দশিং অসি য়েংলবা মতুংদা পিটিস্নরনা ইন্টেরিম ওর্দর অমগীদমক তৌরক্লিবা প্রেয়র অসিদা ‘প্রাইমা ফেসি’ লৈরে হায়না লৌবদগী মহাকপু দিসক্বালিফাই তৌখিবা দিসক্বালিফিকেসন কেস নম্বর-১ ওফ ২০২০গী স্পিকর ট্রাইব্যুনেলগী ওর্দর অদু কেস অসিগী মথংগী নুমীৎ ফাওবা সস্পেন্দ তৌরে হায়খি।

লোয়ননা রেস্পোন্দেন্টশিংদা মখোয়গী কাউন্টর এফিদেবিটশিং ফাইল তৌরকপগী অয়াবা পীবগা লোয়ননা পিটিস্নরগী কেস নম্বর-দব্লিয়ু পি (সী)- ৩১৭ ওফ ২০২০ অসি থা অসিগী ২০দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি। অদুগা এদিসনেল এ জিনা পুথোরকখিবা পিটিস্নরগী দিসক্বালিফিকেসন কেসকী রেকোর্দশিং অদু মঙোন্দা হন্দোকখিনবা খঙহনখি।

অমরোমদা, ঙসিগী দিভিজন বেঞ্চকী ইন্টেরিম ওর্দর অসিগী মতুংদা পিটিস্নর টি রোবিন্দ্রোগী কেস অসিনা কোনশিল্লিবা রেস্পোন্দেন্ট অহুমগী মনুংদগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৩ ওইরিবা এম এল এ টি ঐচ সৈত্যব্রত নত্তনা রেস্পোন্দেন্ট অনীনা নৎত্রগা অমনা পিটিস্নর ওইদুনা ওর্দর অসিগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা স্পেসল লিভ পিটিসন (এস এল পি) অমা ফাইল তৌননবা থবকশিং লৌখৎপা হৌরে হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা, এস এল পি অসি হয়েং অমসুং হংচিংকী এপেক্স কোর্ট অসিগী নোর্মেল ছুটিগী মতুংদা হাংদোরকপগা পম্বদনা ফাইল তৌরবা য়াই হায়রি।

## মণিপুরদগী গ্যানেন্দ্র নিংঙোম্বম হোক্কি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট...

*লামায় ১গী মখা...* গ্যানেন্দ্র নিংঙোম্বম ভেটেরান হোক্কি শান্নরোয় অমা ওইরম্বতা নত্তনা থিয়েটর আর্টিষ্ট অমসু ওইখি। লোয়ননা হোক্কি ইন্দিয়াগী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইখি। গ্যানেন্দ্রনা মতম শাংনা হৌখিবা চহী ৪০ রোমসিদা মণিপুরগী হোক্কি খক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী হোক্কি চাওখৎহন্নবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরকখি।

মণিপুরদগী ইন্টর্নেসনলগী থাক্তা শরুক য়ারিবা মমিং লৈরবা হোক্কি শান্নরোয় কয়া ষ্টেট অসিদগী পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। মমাঙদা মণিপুর হোক্কি এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিগী ফমসু পুরমখি।

কুমজা ২০০৯দগী হোক্কিগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবা গ্যানেন্দ্র নিংঙোম্বমনা কুমজা ২০১৪দগী ২০১৮ ফাওবা হোক্কি ইন্দিয়াগী এগজিক্যুটিভ বোর্দ মেম্বর অমা ওইবতা নত্তনা টেন্দর এন্দ পর্চেস কম্মিতিগী চেয়রমেনসু ওইখি। কুমজা ২০১৮দগী অমুক হোক্কি ইন্দিয়াগী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুদুনা লাকখিবনি। মহাক ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী নোর্থ ইষ্ট কম্মিতিগী মেম্বরসু ওইরিবনি।

গ্যানেন্দ্র নিংঙোম্বমনা হোক্কি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা ফম ওইরিবা প্রসিদেন্টকী থৌ পুননবা খল্লকপা অসিদা হোক্কি মণিপুরগী মায়কৈদগী অপেনবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

গ্যানেন্দ্র নিংঙোম্বমনা হোক্কি ইন্দিয়াগী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্টকী ফম পুরিঙৈদা মহমদ মুষ্টাক অহমদনা প্রসিদেন্টগী ফম পায়রম্বনি। অদুবু মহমদ মুষ্টাকনা থা অসিগী ৭তা মহাক মশাগী ওইবা অমদি ইমুং-মনুংশিংগী হীরম কয়াদা অচিনবা লৈরকপদগী প্রসিদেন্টকী ফম অদুদগী রিজাইন তৌরকপনি। খোঙথাং অসিগী মতুং ইন্না হোক্কি ইন্দিয়াগী এগজিক্যুটিভ বোর্দকী ইমর্জেন্সি মীফম অমা ঙসি ফমদুনা মমাঙদা সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্লবা মণিপুরগী গ্যানেন্দ্র নিংঙোম্বমবু অয়েৎপা অমত্তা য়াওদনা বোর্দ অদুনা হোক্কি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী ফম পায়ননবা খনখি।

মমাঙদা প্রসিদেন্ট ওইরম্বা মহমদ মুষ্টাকনা কুমজা ২০১৮দা মায় পাক্লা নুপাগী হোক্কি ৱর্ল্ড কপ ইন্দিয়ানা যুম্নু ওইবা ঙমখি। মদুগী মখা তারকপা চহী ২০১৯দা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র টুর্নামেন্টশিংসু যুম্নু ওইখি। নৌনা হোক্কি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী থৌ পুরগদবা গ্যানেন্দ্র নিংঙোম্বমনা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কি ষ্টেন্দর্দ অসি হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী হেন্না ফননবা কন্না হোৎনরক্কনি হায়না মশান্না অসিবু পামজবা ওফিসলশিং অমদি শান্নরোয় য়াওনা মীওই কয়ানা নুংঙাইবা অমদি থাজবা থল্লক্লি।